
# পাকিস্টাননা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা থবক তৌদ্রবদি য়ু এসনা তোঙানবা মওংদা তৌগনি



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : করিগুম্বা পাকিস্টাননা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা লৈখাই তাগদবা ৱারেপ অমা লৌদবা তারবদি য়ু এসনা তোঙানবা মওংদা পান্দম ফংনবা ৱাশিংটনগী টেক্টিক্স অমসুং ষ্ট্রেটিজিশিংদা অহোংবা খরা লাকহল্লগনি হায়না ট্রুম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা ইস্লামাবাদতা চেকশিন্না হায়খ্রে।

ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন হীথর নাউঅর্টনা পি টি আইদা ফোঙদোকখি মদুদি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা ইস্লামাবাদতা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি অমসুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা মখোয়গী লোৎফমশিং থুগায়গদবনি হায়না খঙহনখ্রে। টিলরসনগী অহানবা অফঘানিস্টান, পাকিস্টান অমসুং ইন্দিয়াগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ঐখোয়না পাকিস্টানদা মখোয়গী বোর্দর মনুংদা লৈরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা লৈখাই তাগদবা এক্সন লৌখৎনবা কয়ারক হন্না হায়খ্রে হায়না নাউঅর্টনা ফোঙদোকখি। হৌজিক পাংলক্লিবা মপান খোঙচৎতুদা অরোইবা ওইনা জিনেভাদা পনখিবা টিলরসননা হায়খি, য়ু এসনা টেররিষ্টশিংগী মতাংদা পাকিস্টানগা পাক-শন্না ইনফোর্মেসন স্যের তৌমিন্নখি। মদুমক্কি ঐখোয়না পাকিস্টানদগী পাল্লিবসি।

টিলরসননা পাকিস্টানদা হায়খি মদুদি, 'ঐখোয়গী মায়কৈদগী পাকিস্টানবু তৌহন্নিংলিদু মসিদা লৈরে। ঐখোয়না নখোয়দা মসি তৌনবা হায়রি; ঐখোয় অতে করিমত্তা ডিমান্দ তৌদে। নখোয় সোভরন লৈবাক অমনি। নখোয়না তৌগে খল্লিবদু নখোয়না লেপচগদবনি, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না তঙাইফদে খল্লিবসি মসিনি হায়বসি খঙবীয়ু। নখোয়না মদু তৌবা পামদ্রবদি, ঐখোয়না তোঙানবা মওংদা পান্দম ফংনবা ঐখোয়গী টেক্টিক্স অমসুং ঐখোয়গী ষ্ট্রেটিজিশিং শেমদোক্কনি।'

পাকিস্টানি লীদরসিপকা মহাক্কা হকথেংননা খন্ন-নৈনরিবদু মহাক্কা চুম্নগী লেকচর তৌরিবনি হায়না লৌবগী ৱাফম লৈতে হায়নসু টিলরসননা ফোঙদোকখি।

মদু য়াম্না ফবা অফোংবা খন্ন-নৈনবা অমনি। তশেংনমক ঐখোয়না মতম চাদা ৮০ মখোয়গী ৱা তাখি অমসুং ঐখোয়না চাদা ২০ ঙাঙখি। মসি মরুওই হায়না লৌগনি, মরমদি ঐহাক্না মমাঙদা পাকিস্টানি লীদরসিপকা ৱারী শানখিদ্রি। মরম অদুনা ঐহাক্কী পান্দমদি মখোয়না ঙাঙবা য়াম্না তাবা অমসুং মখোয়গী মীৎয়েং অমসুং অপাম্বা খঙদোকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

টিলরসননা পাকিস্টানি লীদরসিপকা ৱারী শানখিবদু লৌথুপ লৌকোই লৈতনা চংখি হায়না ফোঙদোকখি। 'ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর অব্বাসি অমসুং লীদরসিপ টিম অপূম্বগা পূন্না ফম্মিন্নখি। মদুগী তুংদা ঐহাক্না আর্মি জেনরেল বাজৱা অমসুং মহাক্কী এদভাইজর খরগা অমুক ফম্মিন্নখি। মরম অদুনা ঐখোয়না খন্ন-নৈনবদু মপূং ফাবা মওংদা চংখি।'

# ট্রুম্পকী এসিয়া খোঙচৎকী মাঙওইননা য়ু এসকী মাটিসনা ডিপ্লোমেসিগী তঙাইফদবা পনখ্রে



পানমুনজোম, সাউথ কোরিয়া, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : নোর্থ কোরিয়াগী খুৎলাই প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা ক্রাইসিস লৈখাই তানবা মিলিটরি পান্থৈশিংগী মহুৎতা ডিপ্লোমেটিক পান্থৈশিং থিবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না য়ু এসকী ডিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাটিসনা ফোঙদোকখ্রে। ঙসি নোর্থ অমসুং সাউথকী মরক্তা লৈরিবা মিলিটরিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংগা লোয়নননা ঙাক শেল্লিবা বোর্দরদা লেপ্লদুনা মাটিসনা 'ঐখোয়গী পান্দমদি লান নত্তে' হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াবু থুগায়গনি হায়না কিহনখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা তঙাইফদ্রবদি মথং চয়োলদা এসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাংলিবদুগী মাঙওইননা মাটিসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা সাউথ কোরিয়াদা পন্দুনা প্রসিদেন্ট মূন জে-ইনগা উনগনি।

মাটিসকা ৱারী শানরবা মতুংদা মূননা হায়খি, কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়ু এসকী ষ্ট্রেটিজিক এসেটশিং ডিপ্লোই তৌবনা নোর্থ কোরিয়াবু হঙ্গৈইহন্দুনা কা হেন্না অকিবা পোকহল্লকপা ঙমহন্দে।

তোঙানবা খোঙথাং অমদা নোর্থ কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুক্তা লোনা য়াদবা মওংদা থেংনখিবা সাউথ কোরিয়াগী ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হী থাদোক্লগনি হায়না পিয়োংয়াংনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এসকী ডিফেন্স সেক্রেটরিনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাবু তোঙান তোঙান্না খায়দোক্লিবা বোর্দরদা চৎতুনা য়েংশিল্লিঙৈদা পিয়োংয়াংনা সাউথকী ঙামীশিংগী হীদু থাদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পিয়োংয়াংনা খুৎলাই কয়া পরিং নাইনা চাংয়েং তৌখিবা অমসুং ট্রুম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং উনগী মরক্তা লান পান্থবগী অকনবা ৱাহে-ৱাতা কয়া শীজিন্নদুনা অমগা অমগা হুন্নদুনা অমসুং উশিৎনদনা ঙাঙন-শক্লবদগী নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎলকখি অমসুং অশোয়বা খোঙথাং অমদা লান থোক্লকপা য়াবগী অকিবা পোকহনখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মোৎ অমৎতা ওইনা কন্দেম তৌবা লৈরবসু নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা কাইহৌবগী থৌওংশিং চংথদুনা গ্লোবেল সিক্যুরিটিদা কিহল্লি হায়না মাটিসনা ডিমিলিটরাইজ জোন (ডি এম জেদ) তা চৎপদা ফোঙদোকখি।

# ডেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ডিসক্কালিফাইদ তৌবদগী ওষ্ট্রেলিয়া গভর্নমেন্ট ক্রাইসিস মায়োক্লরে



কানবেরা, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : ওষ্ট্রেলিয়াগী ডেপ্যুটি পি এম বার্নাবি জোইস অমসুং অতে পোলিটিসিয়ন মরি লান্না মীখলদা মায় পাকখিবনি মরমদি মখোয় দ্যুঅল সিটিজনসিপ পায়রম্মী হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী হাই কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা রুলিং পীখ্রে।

হাই কোর্টকী ৱারেপ অদুনা জোইস য়াওনা পোলিটিসিয়ন অহুম মখোয় মখোয়গী ফমশিংদগী ডিসক্কালিফাইদ তৌরগনি অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা গভর্নমেন্টনা সীট অমগী মেজোরিটি পায়রম্বদু মাঙখ্রগনি অমসুং বাই-ইলেক্সন অমা মায়োক্লরগনি।

ইথা থাজরুদনা লৌরকখিবা ৱারেপ অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোলর য়ু এস সেন্ট অমগী ক্বার্টর হন্থহনখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মেলকম টর্নবুলনা মখোয়না হান্না থাজখিদবা ওইরবসু কোর্টকী ৱারেপ অদু ইকায়খুম্নগনি হায়খি।

কোর্টকী রুলিং অদুগী মতুংদা কানবেরাদা থুনা পাঙথোকখিবা অতেনবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা টর্নবুলনা অনৌবা ডেপ্যুটি লীদর অমগী মমিংদি লাউথোকখিদে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী লীদর অসি থাংজ নুমিৎতা ইজরেলদা নুমিৎ তরেৎনি চৎনবা লেপখিবনি। তৌইগুম্বসুং টর্নবুলগী স্পোক্সমেন অমনা মহাক্কী খোঙচৎ অদু থীন্থরগনি হায়খি। স্পোক্সমেন অদুনা অনৌবা ট্রাভেল এরেঞ্জমেন্টশিং ফাইনেলাইজ তৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্নবুলগী সেন্টর-রাইট কোলিসন হৌজিক খুদোংথীনিঙাই ফিভম অমদা লৈরে। মহাক্কী লিবরেল পার্টি অসি জোইসনা লূচিংবা অপিকপা নেসনল পার্টি অমগা শেম্মিন্নবা কোলিসনদা সিনিয়র পার্টি ওইরিবনি।

মহাক্কী মাইনোরিটি গভর্নমেন্ট কায়দনবগীদমক্তা টর্নবুলনা হৌজিক ইন্দিপেন্দেন্ট লোমেকর অহুমগী মনুংদগী অমগী সপোর্ট ফংবগী তঙাইফদবা লৈরক্লি। চহী অসিগী রিসেস য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম ফমগদবা চয়োল অনীগী মতম লৈরি। চৈরকসিদা, য়ামদ্রবদা ইন্দিপেন্দেন্ট লোমেকর অনীনা গভর্নমেন্ট শৌগৎকনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

ইন্দিপেন্দেন্ট এম পি বোব কাট্টরনা রোইটর্সতা, মহাক গভর্নমেন্ট শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ৱাথোক্লা থল্লবা ফাইনান্সিয়ল সিষ্টেমগী মরমদা পাক-শন্না থিজিন্নবা হোৎনরক্লিবদুদা কোলিসননা অথিংবা পীরবদি মহাক্না মহাক্কী ৱারেপ অদু অমুক হন্না খন্নগনি হায়নসু কাট্টরনা ফোঙদোকখি।

# জোন এফ কেন্নিদি হাৎখিবগা মরী লৈনবা অরোনবা ফাইল লীশিং কয়া য়ু এস গভর্নমেন্টনা ফোংখ্রে



বোষ্টন, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : কুমজা ১৯৬৩ দা প্রসিদেন্ট জোন এফ কেন্নেদি হাৎখিবগা মরী লৈনবা ডোক্যুমেন্ট ২,৮০০ মীয়ামদা ফোংদোক্লবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা শগোলশেন নুমিৎতা ওর্দর তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং এফ বি আই অমসুং সী আই এগী মায়কৈদগী ইনফোর্মেসন খরা ফোংবা থিংলকপদগী মহাক্না হৌজিক্কী ওইনা অতে গভর্নমেন্টকী অরোনবা ফাইল চা কয়াদি ফোংহনখিদ্রে।

প্রসিদেন্ট কেন্নেদি শিখিবগী মতাংদা চংখিবা ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈনবা রেকোর্দ খূদিংমক মীয়ামদা ফোংদোক্কদবনি হায়না কোংগ্রেসনা কুমজা ১৯৯২ দা ওর্দর তৌখি অমসুং সেট অপূম্বদু মীয়ামদা ফোংদোক্লবা অরোইবা দেদলাইন ওইনা ওক্টোবর ২৬, ২০১৭ ফাওবগী মতম পীখি। ট্রুম্পনা ডোক্যুমেন্টশিংদু মীয়ামদা ফোংদোক্লগনি হায়না হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা কনফার্ম তৌখি।

অরোইবা ইভিদেন্স মপৈ অমা মীয়ামদা ফোংদোকপনা লৌতুনবা (কন্সপিরেসি) গী চিংনবা কয়া কোকহনবদা মতেং পাংগনি হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

'গভর্নমেন্টনা অসিগুম্বা ডোক্যুমেন্টশিং ফাজিন্দুনা থল্লিমখৈ কেন্নেদি হাৎখিবগী মতাংদা অফবা ইভিদেন্স খরা লৈ হায়বগী চিংনবা হেনগৎহনগনি' হায়না বোষ্টন কোলেজগী প্রসিদেন্সিয়ল হিষ্টোরিয়ন পেট্রিক মেনীনা ফোঙদোকখি।

অসাসিনেসনগী অরোইবা ফাইল মপৈদুদা মীয়াম্না অমুক্তা উখিদ্রিবা লামায় লীশিং চা কয়া ওইগদবা ডোক্যুমেন্ট ৩,১০০ হেন্না য়াওখি। ডোক্যুমেন্ট ৩০,০০০ রোমদি মমাঙদা পূল্লপ পূল্লপ পূনশিন্দুনা লাইরিকশিং ওইনা ফোংখ্রে। শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা নেসনল আরকাইভসনা মসিগী ৱেবসাইটতা ডোক্যুমেন্ট ২,৮০০ হেন্না ফোংখি। তৌইগুম্বসুং সী আই এ অমসুং এফ বি আইনা অরোইবা পুংফমদা অপীল তৌরকপদগী ট্রুম্পনা অতে লেমহৌরিবা ফাইলশিং ফোংবগী মতম থীন্থখি। প্রসিদেন্ট ট্রুম্পনা ফাইল পূম্নমক হৌজিক লোইনা ফোংবা তারবদি নেসনল সিক্যুরিটিদা শাথীনা শোক্লিঙাই ওই হায়খি অমসুং লেমহৌরিবা ফাইলশিং অদু রিভ্যু তৌনবা থা তরুক্কী মতম পীখি।

প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশনা কুমজা ১৯৯২ গী ওক্টোবর ২৬ তা কেন্নেদি হাৎপগা মরী লৈনবা ডোক্যুমেন্ট খূদিংমক করিগুম্বা ইন্টেলিজেন্স, লো ইনফোর্সমেন্ট, মিলিটরি ওপরেসনশিং নৎত্রগা ফোরন রিলেসনশিংদা অকায়বা থোক্লোইদবা ওইরবদি মীয়ামদা ফোঙদোকপা য়াবগী লো অমা সাইন তৌখি।

# খান শৈখুনদা গ্যেস এটেক চথখিবগী মরাল শীখ্রে



ন্যু য়োর্ক, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : সিরিয়াগী বাশর অল-অশাদকী রেজিমনা সরিন গ্যেস শীজিন্নদুনা মীচমশিং পাক্তক্লনা হাৎখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাক অদুগী তুংগী লৈঙাক্তা অশাদনা করিগুম্বা মখল অমৎতগী থৌদাং লৌবা য়ারোই হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অমুক হন্না চেকশিনৱা পীখিবগা চান্ননা য়ু এনগী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা রেজিম অদুবু মরাল শীখিবনি।

য়ু এননা শিন্দুনা মথং থাদা পীছ টোক হৌবগী ৱাফম লাউথোক্লিঙৈগী মমাঙদা এক্সপার্ট পেনেলগী রিপোর্ট তুগা লোয়ননা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটকী ৱারোল ফোংখিবনি।

চহী অসিগী হৌখিবা এপ্রিলদা নোর্থ ৱেষ্টর্ন সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সকী রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা লৈবা টাউন অমা ওইরিবা খান শৈখুনদা সরিন গ্যেসকী প্রোজেক্টাইলশিং কাপশিনবদা মীওই ৮০ হেন্না শিখি।

এটেক অদুগী মতুংদা উনখিবা অঙাংশিং য়াওনা অশিবশিং অমসুং শিবা ঙাইরিবা ভিক্টিমশিংগী শক্তমশিংনা মালেম পূম্ববু খোইরাং খোইশাওহনখি অমসুং মমৈথংদা রেজিমগী এয়র বেজ অমদা য়ু এসনা ক্রুজ মিসাইল অমা কাপশিনখি।

য়ু এননা গ্যেস এটেক অদুদা শিখিবশিংগী মশিং ৮৩ নি হায়খি। অমরোমদা য়ু কেদা বেজ ওইবা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ৮৭ নি হায়না ক্লেম তৌখি।

চহী অসিগী এপ্রিল ৪ দা খান শৈখুনদা সরিন থাজিনখিবদু সিরিয়ন আরব রিপব্লিক্কী খূৎনি হায়না পেনেল অসিনা চেৎনা থাজে হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

# চাইনানা য়ু এসতা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট চঙহন্দনবা তকশিনখ্রে



বৈজিং, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : টাইৱানগী প্রসিদেন্টনা পেসিফিকতা লৈবা ঈথৎ অসিগী ডিপ্লোমেটিক মীচংশিংসিদা চৎপদা য়ু এসকী টেরিটরি ফাওবগী অয়াবা পীদনবা চাইনানা ইরাই নুমিৎতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তকশিনখ্রে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকী বৈজিং খোঙচৎকী মাঙওইননা চৎকদৌরিবা টাইৱানগী প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অদু অরাইবা খোঙচৎ ওইরোইদৌরি হায়রি।

চাইনানা ডেমোক্রেটিক টাইৱানবু ষ্টেট মশেলগী মরী থম্নফম থোক্তবা হায়না তানবা য়াদবা লমহেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা ঈথৎ অদুবু কন্ট্রোল তৌবদা ফোর্স শীজিন্নবা ফাওবা য়াই হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

চাইনানা টাইৱানবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং লৈবাক অসিগী মরক্তা লৈরিবা খ্বাইদগী লুবা অমসুং মরুওইবা ইস্যুনি হায়না তত্তনা ফোঙদোক্লি অমসুং বৈজিংনা ৱাশিংটনদা টাইৱানিজ প্রসিদেন্টশিংনা লৈবাক কয়াদা চৎপদা য়ু এসতা পলহনবগী মতাংদা মতম চুপ্পদা কমপ্লেন তৌরি।

প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেন মীচং ওইবা পেসিফিক্ক ঈথৎশিং অমসুং মার্সেল ঈথৎশিংদা চয়োল অমগী খোঙচৎ অমা য়ু এসকী হোনোলুলু অমসুং গুআম ফাওদুনা চৎননবগীদমক্তা থাংজ নুমিৎতা টাইৱান থাদোক্কনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চাইনানা য়ু এসতা অকনবা মওংদা কমপ্লেন তৌখ্রে অমসুং 'ৱান চাইনা পোলিসি' বু চেকশিন্না ঙাক্লবা তকশিনখ্রে হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুআংনা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মহাকপু (ৱনবু) ফাওহল্লোই, টাইৱানগী ইন্দিপেন্দেন্স ফোর্সশিংদা অরানবা ইঙ্গিৎ অমৎতা পীরোই অমসুং চাইনা-য়ু এস মরীগী মপূং ওইবা শক্তমদা অকায়বা থোকহন্দনবা অশেংবা এক্সনশিং লৌরক্কনি হায়না চাইনানা থাজৈ হায়না গেংনা ন্যুজব্রীফিং অমদা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পনগদৌরিবদু সাইগী চহী অসিগী মনুংদা চৎপা অনীশুবা য়ু এস খোঙচৎ ওইগদৌরিবনি। হৌখিবা জান্যুৱারিদা মহাক্না লেটিন অমেরিকাদা চৎখিবা অমসুং লমদমদুদগী হল্লকখিবগী খোঙচৎতা হাউষ্টন অমসুং সেন ফ্রানসিস্কোদা পনখি। কালিফোর্নিয়াদা লৈরিঙৈদা মহাক্না চাইনাদা অথিংবা থন্বা মাইক্রো মেসেজিং সর্ভিস ত্বিটর ইঙ্ককী হেদক্বার্টর্সতা ভিজিট তৌখি। হাউষ্টনদা মহাক্না রিপব্লিকান সিনেটর টেদ ক্রুজ অমসুং টেক্সাসকী গভর্নর গ্রেগ অবোটকা উনখি।

# ইন্দিয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুৎলাই পুবা দ্রোনশিং য়োনবগী ৱাফম পাকিস্টাননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : য়ু এসনা ইন্দিয়াদা খুৎলাই পুবা মিলিটরি দ্রোনশিং সপ্লাই তৌবগী ৱাফম পাকিস্টাননা ইরাই নুমিৎতা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। খোঙথাং অদুনা শেরান্নবা মিলিটরি এদভেঞ্চরশিং হেনগৎহন্দুনা লমদম অসিদা কনফ্লিক্ট লাকহনগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পাকিস্টাননা ইন্দিয়াদা দ্রোন পীশিনবগী ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়ানা এয়র ফোর্সকী মোদর্নাইজেসন ড্রাইভকা মরী লৈননা খুৎলাই পুবা দ্রোনশিং সপ্লাই তৌনবা হায়জরকখিবা অমা য়ু এসনা খন্নরি হায়না ট্রুম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা পাকিস্টানগী ফোরন ওফিসকী স্পোক্সমেননা ৱারোল অসি ফোঙদোকখিবনি।

খুৎলাই পুবা দ্রোনশিং শীজিন্নবনা মিলিটরি কনফ্লিক্ট লাকপা য়াবগী ফিভম হেনগৎহনগনি। মরমদি মসিনা শেরান্নবা এদভেঞ্চরশিং হেনগৎহনগনি। লিমিটেদ মিলিটরি ওপরেসনশিং পাঙথোকপা য়াই হায়না বোর্দর ৱাংমদগী ফজদবা মওংদা ঙাঙথোকখিবসিনা অসিগুম্বা কনফ্লিক্ট থোক্লকপা য়াবগী চান্স ৱাংহল্লি হায়না ফোরন ওফিসকী স্পোক্সমেন নাফীজ জকারিয়ানা ইস্লামাবাদতা পাউমীশিংদা হায়খি।

জকারিয়ানা হায়খি মদুদি, পাকিস্টাননা রিজনেল ষ্টেবিলিটি কাইহন্দনা থম্বগী ৱাফম অসি খুৎলাই লৈন-য়োন্নবদা নৎত্রগা পীথোক-পীশিন তৌনবদা খুৎলাইগী মরুওইনা খন্নগদবনি হায়দুনা লাকখি।

এক্সট্রা-রিজনেল পাৱরশিংনা সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটিজিক ষ্টেবিলিটিদা অকায়বা পীগদবা অসিগুম্বা এক্সনশিংগী মতাংদা কুপ্না ৱাখল তৌগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক্না খুৎলাই পুবা দ্রোনশিং ট্রান্সফর তৌবগী ৱাফম অসি মিসাইল টেক্নোলোজি রেজিম য়াওনা মল্টি লেটরেল এক্সপোর্ট কন্ট্রোল রেজিমশিংগী গাইদলাইনশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা কুপ্না য়েংশিন্নবা ডিমান্দ তৌখি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা হন্দক্তা ইস্লামাবাদতা খোঙচৎ অমা লাকখিবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না ক্লেম তৌখি মদুদি, য়ু এসকী মায়কৈদগী পাকিস্টানগী নুংঙাইতবা বোর্দর অনী লৈ অমসুং সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটিজিনা ইস্যূশিং অসি য়েংশিনবা চঙই হায়বসি য়াখি।

# সী জিনপিংনা চাইনিজ ট্রুপশিংদা মায় পাক্লবা মওংদা লানগীদমক শেম-শানবা ওর্দর তৌখ্রে



বৈজিং, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি) : মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ওইরিবা লান্মী মিলিয়ন ২.৩ লৈবা লৈবাক্কী মিলিটরিবু রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টিদা মপূং ফানা থাজবা উৎনবা অমসুং লান করম্না ঙমগদগে হায়বসিদা মীৎয়েং থমদুনা লানগীদমক হেন্না কন্না শেম-শানবা ওর্দর তৌবগা লোয়ননা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা মহাক্কী অনীশুবা চহী মঙাগী টর্ম পায়বা হৌখ্রে।

চহী মঙাগী মনুংদা অমুক্তং পাঙথোক্লিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী কোংগ্রেসনা চয়োল অসিদা সীবু মখা তানা পার্টি, মিলিটরি অমসুং প্রসিদেন্সি পায়হনখি অমসুং মহাক্কী আইদিও-লোজিবু লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনদা য়াওহন্নবগী অয়াবা পীখি। খোঙথাংশিং অসিনা মহাকপু মোদর্ন চাইনা হৌদোক্লম্বা চেয়রমেন মাও জেদোং অমসুং মহাক্কী মহুৎ শিনবা দেং জিয়াওপিংগা থাক মান্নহনখি।

মশাগী চহী ৬৪ শুরবা সীগী অনীশুবা টর্ম ঙরাং পাৱর বেজগী মরুওইবা হৌরকফমনি হায়না লৌনবা মিলিটরিগী টোপ ওফিসলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা হৌখি।

মতিক-ময়ায় লৈরবা সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসন (সি এম সী) গী মকোক ওইরিবা সীনা আর্মদ ফোর্সেসকী টোপ ওফিসল অয়াম্বা য়াওরিবা বোদি অদুগী অমতা ঙাইরবা সিভিলিয়ন লীদরনি। বোদি অসি চাইনিজ মিলিটরি অপূম্বগী হাই কম্যান্দনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবা অনৌবা সী এম সীগী লাইন অপ অদু মীওই তরেৎকী গ্রুপনা লূচিংগনি। মমাঙদদি মদুগী ওপরেসনশিং মেম্বর তরেৎনা য়েংশিনখিবনি। অঙনবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না, চাউরবা এন্টি-করপসন কেম্পেন অমা চংথবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী মঙা অসিদা মহাক্কী পাৱর চেংশিনহনখিবা সীনা পার্টিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটি অদু মেম্বর তরেৎতগী মঙাদা পিকশিনবা পামই হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই মহাক্কী এন্টি-করপসন কেম্পেন অদুদা ওফিসল মিলিয়ন অমা হেন্না চৈরাক ফংহনখি।